## মণিপুরগী নুপী-অঙাংশিংগী অৱাবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* ঙাওহন্দ্রিবনো? করিগীদমক মখোয় অনীগী মচিন মেন্দুনা থল্লিবনো? নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী লৈরিবা এম পিশিংবু করিগীদমক পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাওহন্দ্রিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি।

গৌরভ গোগোইনা মখা তানা, অসিগুম্বা থৌওং অসিদি এম পি অমা ওইবগী রাইট অদু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মপুং ফানা মাঙহল্লে। হৌজিক ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী ইস্যুগী মতাংদা থৌদাং অমত্তা লৌবা পামদে। এম পি অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ৱাহং অহুম হংলি মদুদি অহানবদা হৌজিক ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরদা করিগীদমক চৎত্রিবনো? থা অহুম হেঞ্জিল্লক্লবা ঈরাং অসিদা করিগীদমক তুমিন্না লৈরিবনো? লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু করিগীদমক সী এম ফমদগী লৌথোক্ত্রিবনো? মণিপুরগী সী এম লৌথোক্ত্রিবা অসি বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক হায়বগী স্লোগান অদু মায়থিরগনি হায়বনি। লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমদি ষ্টেটকী সীক্যুরিটি এদভাইজর মপুং ফানা ফেল ওইরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা চলাইবা অসাম রাইফলস অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ফঙ্কসন তৌবা মণিপুর পুলিস অনীগী মরক্তা কোওর্দিনেসন লৈনদুনা থবক তৌবা ঙমদ্রে। মখোয় অনীগী থৌওংশিং অদুনা মরম ওইরগা মণিপুরগী নুপী-অঙাংশিংদা অচৌবা চৈথেং ফংলে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি দেরেক...

*লামায় ১গী মখা...* রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোরকপদগী হাউসকী মীফম নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়ৈথোকখি। অদুবু পুংফম অসিদগী অমুক হন্না হাউসকী বিজিনেসশিং চত্থনবা হোৎনরকপদা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা খন্ননবা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী এদজোর্নমেন্ট মোসন অমা পুখৎলকখি অদুবু রাজ্য সভাগী চ্যেরমেননা মসিগী অয়াবা পীখিদে। ফীভম অসিদগী অমুক্কা হেন্না চরাংনবা হেনগৎলকপদগী দেরেক ও'ব্রাইননা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা হৌরকপদা মহাকপু হাউসতগী সস্পেন্দ তৌনবা হাউসকী লিদর পিয়ুস গোয়লনা মোসন অমা মুভ তৌরকখি।

মোসন অসি থাঙ্গৎলকপদগী তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী ওপোজিসন এম পিশিংনা হাউসকী ময়ায় তম্না চঙশিন্নরক্তুনা হেন্না চরাংনবা থোরকখি। অদুম ওইনমক হাউসকী লিদরনা পুখৎলকপা মোসন অসিগী মতুংইন্না চ্যেরমেননা দেরেক ও'ব্রাইনবু হাউসতগী সস্পেন্দ তৌখি।

পনবা য়াবদি, রাজ্য সভাদা আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা ওইরিবা সঞ্জয় সিংহবুসু হৌজিক চত্থরিবা নোংজু মীফম অসিদগী সস্পেন্দ তৌদুনা মীফমসি য়াওহন্দনা থল্লক্লিবনি। দেরেক ও'ব্রাইননা হাউসকী রুল ২৬৭কী মখাদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্ননবা পোইন্ট ওফ ওর্দর অমা পুখৎলকপদগী ঙসিগী চরাংনবা অদু থোকখিবনি।

## লাঞ্জেন্নদুনা থা ৩ হেন্না রিলিফ ...

*লামায় ১গী মখা...* টেররিষ্টনা মৈ থাদোকপীখ্রবা য়ূম অদুদা চত্তুনা অমুক্তং য়েংজগে হায়বা ফাওবদা য়েংনবগী তাঞ্জা পীবিদ্রি। খুল অসিগী অঙাংশিং ইচা য়াওনা লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদনা লৈরকপা কুইরে। মখোয়গী তুংগী পুন্সিনা করি ওইগদগে খল্লুবদা অদুক্কী মতিক অৱাবা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরে। ৱানা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসিদা মরক-মরক্তা অমুক খুৎলায় পায়বা কুকি টেররিষ্টশিংনা খুলগী লৈজরম্বা পোৎলম কয়াসু পুদুনা চৎপিখ্রে তাবদা পেন্দবা ফাওই। মখোয়না হুদুনা পুখিবা পোৎলমশিং অদুদা খুলগী অশি-অনা য়াওরকপদা লাইনিং লাইশোনগী মতুংইন্না চঙদবা য়াদ্রবা শীজিন্ননবা থম্বা পোৎলম ফাওবা পুদুনা চৎপিখ্রে। খুল অসিবু ঙাক্লিবনি হায়দুনা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং মরুওইনা অসাম রাইফলসনা খুল ঙাকপদি লায়রদনা কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা তোংশিন্দুনা মীতৈশিংবু ওৎপ-নৈবগী থবক্তা য়াওশিল্লকপা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। ঙসি-ঙসিমক রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা অসি য়াম্না পুক্নিং নুংশিবা হায়বদু ওইরিবনি। রিলিফ কেম্প অসিদা কয়াম কুইনা লৈবা য়াগদৌরিবনো ? হৌজিক্কী মতমদা ইংখোল অমা লৈবা অমদি য়ূম অমা শাবা হায়বসি শেল মরাং কায়না থোক্তবা ঐখোয়দদি মঙলান অমগুম থোক্লিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অৱাবা তারবা মীপুম খুদিংমক্কী মতমগা চান্নবা মওংদা অমুক হন্না ইশা-ইশাগী খুলদা য়ূমশিং শাবিগদবনি। লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংনা অমুক্তং নুপা থোকপীদুনা থেংনরিবা লানফম অসি মায়পাক্লনবা অমদি অৱাবা তারবা মীওইশিংবু কনবিনবা হোৎনবিয়ু। করিগীদমক লৈঙাক্লা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু ঙাকপী শেনবিবা ঙমদবনো হায়নসু মহাক্লা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা ৱাফম কয়াসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 90.736195 |
| US Dollar | 82.957470 |
| British Pound | 105.333316 |
| Australian Dollar | 53.944656 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.489319 |
| Japanese Yen | 0.579458 |
| Malaysian Ringgit | 18.103682 |
| Singapore Dollar | 61.464006 |
| South Korean Won | 0.062801 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.121992 |
| Thai Baht | 2.366724 |

### GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto date**
8787632782, 9367471778
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - Upto date.**
Office Contact No. 9362654114.
Time 8:30 to 12:00 .
Available 19kg and 5kg.
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 8:00 AM TO 11:AM
HOME DELIVERY CONTACT NUMBERS
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052 (ENQUIRY) 7628077876, 9366213753
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-27-07-23
**B/upto - 01-08-23**
**Stock-612**
7am to 10am
**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking 18/07/2023**
Valid 30/06/2023

## অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* তমথীবা মওংদা হাৎলম্বগী থৌওং য়ানীংদে। থবক অসি টেররিষ্টকী লিচৎনি হায়রদুনা থা অহুম হেল্লক্লবা ফাওবদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা নার্কো-টেররিষ্টশিং লাকশিনবা ঙমদবা অসিসু লাইবক থীবনি।

মহাক্লা মখা তানা, মণিপুরদা মীয়ামগী অমদি ষ্টেট ফোর্সকী মতেং পাংনবা লৈরিবা অসাম রাইফলসনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা তোংশিন্দুনা লমদমসিদা হেন্না ঈরাং শাগৎলকপা অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী করম্বা অরোনবা এজেন্দানো হংখি। অসাম রাইফলস লৈরকপদগী মণিপুরদা মশীং থিঙমদ্রবা ক্রাইম কয়া থোকহনখ্রে। মখোয়বু মখা তানা ষ্টেট অসিদা লৈহনবীগনু লোয়ননা অথুবা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ষ্টেট অমা ওইহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরকখি।

## কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ, বোম...

*লামায় ১গী মখা...* মিলিটেন্টশিংনা শারিবা বঙ্কর তম্না থোমজিনখি। বঙ্কর শারিবা মফম অসিগী পরিংদা কুকিশিংগী চীংগী শরুক্তা লৈবা চীংফে, সিয়াং অমদি সয়াং খুলনচিংবা লৈরিবনি। অদুম ওইনমক মশীং য়াম্লবা মীতৈশিংনা বঙ্কর শারিবা কুকি খুলশিং অসি তম্না থোমজিল্লুবদা নোংমৈ অমসুং বোম কাপ্লকখিবশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি। অদুবু খোইশাওনরবা মীয়াম্না মফম অদুদা লৈরম্বা য়ূম খরা মৈ থাখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী ষ্টেট ফোর্স অমসুং সী আর পি এফ য়াওনা মপানগী ফোর্সশিং চঙশিল্লকপদগী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরম্বা অদু লেপখি। অদুবু ঙসিগী থৌদোক অসিদা কুকি মিলিটেন্ট খরা অশি-অনা য়াওরমগনি থাজনরি।

ফুবালা অমসুং থিনুঙ্গৈগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকপদা মমাঙদসু লৌবুক্তা লৌ শুরিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎপসু লৈখ্রে। অদুবু করিমত্তা কান্নদে হায়খি।

অমরোমদা, মফম অসিদা খুৎ থোক্লবদগী নুপী য়াওনা থোমজিন্নরকখিবা মীয়ামসু নোংমৈ কাপ্লবা লেপখিবদগী হন্দোক্লরকখি হায়রি।

### INFORMATION

Dated, Malom the 7th Aug., 2023

No. MMRC/ER/8/-2023- It is informed to all the candidates who had appeared the Examination of Associate membership AM (D) Course held on 28/07/2023 with Top Dusara High School, Imphal East District, Manipur being the Centre of the Examination, that it has been delcared on 07/08/2023 which has reference to the decision decided by the Executive Meeting of MMRC Malom (1) Imphal held specially for the purpose.

Kindly bear with us and wait till the date on which the said examination shall be declared out.

In compliance with
the Direction of the Executive
Committee of MMRC Malom (1)
---------
Sd/- **Haobam Ibeton Chanu**
Principal,
Meetei Mayek Research Centre
Malom (1), Manipur

HL-P/7399/9


### ADMISSION OPEN

FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS
SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/8262/9/8-9/9

### The Four Pillars Coaching Institute

*Empowering Aspirants*

A complete guidance for all competitive exams

UPSC, MPSC, SSC - CGL, CPO, CHSL, MTS, SBI, IBPS, RRB - PO, CLERICAL, RAILWAYS, INSURANCE, CSAT, TET, CTET, CDS, CPF, LIC, Government and PSU jobs etc.

Grab the opportunity to learn from the top faculties of Manipur

Congratulations Dear Aspirants !!!




Lots of achievements to come in the very near future ...

**GENERAL FOUNDATION COURSE**
For SSC, Bank and Other Exams.
- Duration Of Course - 7+ Months
- Morning Shift : 6:00 am to 8:00 am | 16th August, 2023
- Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 24th August, 2023
- Afternoon Shift : 2:00 pm to 4:00 pm | 28th August, 2023

**MPSC PRELIMS REGULAR COURSE**
- Duration Of Course - 6 Months
- Morning Shift : 8:00 am to 10:00 am | 28th August, 2023

**SPECIAL MATHS COURSE**
- Duration Of Course - 8 Months
- Noon Shift : 11:00 am to 1:00 pm
23rd August, 2023

Contact : 9862697900 7005070878

Hostel and Rent Facilities for Both Gents & Ladies

* Get Registered at our Office for 5 Free Demonstration Classes

For Queries: 9862697900, 7005070878 OFFICE ADDRESS : SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN.

HL-P/7359/3/8-2/9


### FOUR LILONG HAOREIBI COLLEGE STUDENTS APOLOGIZE

Seeking pardons from students bodies, alumni and other organizations who strongly condemned the attack of the principal's office by four students of Lilong Haoreibi College, physically assaulting teachers and vandalizing properties on the 6th July 2023 following the expulsion of the Social & Culture Secretary Md, Amir Hussain by the principal for impersonating in the examinations, the four students viz Md. Amir Hussain, Md. Umar Hamza, Md. Mubin and Md. Zaheer Abbas who later, were expelled from their respective secretaryships of the students union have apologized the authorities concerned that they have committed the mistakes by ignorance and they would never recur the same in the near future.

The students further regret on their false allegations published in local dailies against the principal, one amongst the most qualified principals appointed on regular basis through MPSC who could settle various pending issues including assessment and accreditation of the college under NAAC and relieved from blacklisting the college under the University Grants Commission (UGC) North Eastern Regional Office, Guwahati.

Maintaining the restless effort made by the principal in bringing up the college in the national level, the students updated the status of the college that after the accreditation of the college under NAAC and finalization of all pending accounts with the UGC, the college is now gearing up with all efforts for starting the four years Integrated BA. B.Ed. & B.Sc. B.Ed. degree courses (ITEP) under the National Council for Teacher Education (NCTE) New Delhi on pilot basis. Clarifying that they have committed the said crimes under the pressure from some miscreants who were envious of the incumbent principal, the students also asserted that they would also support in all developmental activities taken up by the principal in due course of time.

*Clarifications was submitted to the Lilong Haoreibi College Alumni Association on this day the 7th August 2023 by the following students:*

Md. Amir Hussain, expelled from Social & Culture Secretary
Md. Umar Hamza, expelled from Finance Secretary
Md. Mubin, expelled from Magazine Secretary
Md. Zaheer Abbas, expelled from Debate Secretary

Sd/- **Md. Nasir Khan**
President,
Lilong Haoreibi College Alumni Association (LHCAA)

HL-P/7394/9

## হায়ৱে অনীমক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে : পুলিস

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস) :** ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অনীমক্তা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা গাড়ীশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না এন ঐচ-৩৭তা গাড়ী ২১২ অমসুং এন ঐচ-২দা গাড়ী ১২১ চৎথোক-চৎশিন তৌরে। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্কনি চিংনবা মফমশিংদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা গাড়ীশিং অসি মহৌশাগুম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙম্নবগীদমক সিক্যুরিটিগী কনভোয়সু পীরে হায়রি।

## তোর্বুং বাংলাগী মীতৈ য়ূমশিংদগী পোৎ চৈ

*লামায় ১গী মখা...* লৈবা কুকি খুলশিংদগী ঙরাংগা মান্নমা মীওই কয়া লাক্লগা মীতৈগী য়ূমশিংগী থোঙ-থোঙনাওশিং থুগাইদুনা ইমুংদা থম্বা পোৎলমশিং হুরানখিবনি। ঙসিদি লাঞ্জেন্নখ্রবা মীতৈশিংনা হুন্দোক্লম্বা ত্রক য়াওনা অতোপ্পা গাড়ীশিংগী টায়র ফাওবা ফক্লগা পুখি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙরাংগা চপ মান্নবা ফীভমদা মফম অসিবু চেকশিন্না ঙাক শেন্ননবগীদমক দিপ্লোই তৌরকখিবা ১৯৩শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী প্লেটুন অনীগী পর্সনেলশিংনা শৌগ্রি য়ুংবদৌনা লেপ্লবসু কুম্মৈ য়েংবদৌনা য়েংদুনা লৈখি। মখোয়গী মায়কৈদগী কুকি নুপী-অঙাং য়াওনা হুরানবগী থবকশিং চত্থখিবা মীওইশিংদা অথিংবা-অয়েৎপা অমত্তা পীখিদে হায়রি।


### / ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

এম য়ু কাঞ্চিপুরদগী পংলাপ লাপ্তনা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদা লম্বীগা তাইনবা পোইন্ট তরুক (.৬)কী ইঙ্খোল অমা, শাবা কুইদ্রিবা বিল্ডিং অমগা লোয়ননা অচিনবা অমগীদমক থাদোকচরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। মফম অসি হৌজিক-হৌজিকমক হোষ্টেল তৌদুনা ভারা চাওনা লাক্লিবা মফমনি।

* Broker are not entertained.*

HL-P/7379/7,9 # 7990531498

### / খঙহঞ্জবা

All Manipur Urban Local Body elected Ward Development Committee Member's পূন্নমক্কী মফমদা খঙহঞ্জবা, The Lilong Thoubal Municipal Council elected Ward Development Committee Member's Union না Lilong Bazar দা Urban Local Body W.D.C. Member's শিংগী ওইবা General Body Meeting অমা শিঞ্জগনি। হায়রিবা General Body Meeting অসিগী পাউ ফাওননবা মখাগী কন্টেক্ট নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Contact No. : **6009247710, 9366864382, 9366379180, 9366466234, 7628090939**

HL-P/7389/9

### / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ইন্দো ম্যান্মার রোদকা য়াম্না নক্লনা M.U. Main Gate অমদি Lilong, I/W কী মরক্তা লম্বীগা হেক থংনবদা Hostel, Office, Business নচিংবা তৌবদা খ্বাইদগী খূদোংচাগদবা Point 20 (point two zero) চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবদা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাদা পীরিবা নম্বরশিং অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

**NO BROKERS, PLEASE**

Contact No. : **9612560107**
**9402455587**

HL-P/7388/9,10,11

### / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate of Class XII, bearing registration no. 19197 of 2013 issued by COHSEM on the way from Thoubal to Imphal on 7th August, 2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Takhellambam Elora Chanu**
Thoubal Nongangkhong
# 8787841863

HL-P/7395/9

### / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 18928 of 2021 issued by COHSEM on the way from my residence to Singjamei Bazar on 5th August, 2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Leitanthem Seityajit Singh**
Thoubal Wangmataba
# 8837234478

HL-P/4492/9

### চহীগী দশা য়েংজরি /



মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-P/8243/28/7-26/8


## মীতৈদা লান্দাবদা শীজিন্নরম্বা নোংমৈ ৫ য়াওনা বোম কাপ্লবা ৪ অমসুং ৱায়রলেস সেট ফাগৎলে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা ফংবা অকক্লবা পাউ অমদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু কৈথেলমানবী পি এসকী টিম য়াওনা পাৎশোই পি এসকী পর্সনেলশিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্যান্দোগী কম্বাইন্দ টিম্না ৩৩ এ আরগা খূৎশম্ননা কৈথেলমানবী অমসুং আইথু কুকি খুলদা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা খূৎশু খূৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

ফাগৎলবশিংদি সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৫, জি আই পাইপ শেমদোক্তুনা বোম কাপ্পবা শাবা কন্ত্রি মেদ ৪, সিঙ্গল বেরেলগী লাইফ রাউন্দ ৩৬, চার্জরগা কোন্নবা ৱায়রলেস সেট অমা অমসুং মোবাইল ফোন ৮নি হায়রি।

অদুম ওইনমক কম্বাইন্দ ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলায়শিং অমসুং মোবাইল ফোনশিং অসি ফাগৎলকপা ঙমখ্রবসু মীতৈদা লান্দাবদা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নরম্বা লমহেন তুহেনবা কুকিশিংদি কম্বাইন্দ ফোর্সকী টিম্না মফম অদু হান্না কোয়শিল্লগা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবা হৌরকপদা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

ফাগৎলবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

অতোপ্পা চিংনবা মফমশিংদসু মখা তানা কম্বাইন্দ ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক চত্থখিগনি হায়রি।


### / নুপী ওইনা থবক্কী মী খরা পামজৈ

ফেক্টরিদা পোৎ-চৈ পেক্কিং তৌনবা নুপী লৈশাবী ৫ (মঙা) পামজৈ। চহী ২০দগী ৩০ ফাওবগী মনুং ওইগদবনি। য়ারগদি মফম অমদগী পুল্লপ পামজৈ। অরাপ্পশিংগী ওইনদি লৈফম পীজগনি।

Sd/- **MAHAO INDUSTRY**
Airport Changangei Maning Leikai,
Thaosang Lampak,
# 8837369521

HL-P/7400/9

### / JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| Age Limit | : | Below 30 yrs. |
| Income | : | Rs. 5,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

**NO DEPOSIT SYSTEM**

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.

HL-P/7398/9 **Contact : 9774986962, 8837369704**


### অৱাবা ফোঙদোকচবা



The Regional College Lilong Chajing গী সেক্রেটরিগী থৌ পুবিরম্বা লিলোং চজিং মাইরেনখোংদগী শ্রী হৱাইবম শামু সিংহনা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা চৈচৎ ০৭/০৮/২০২৩, থৱানগী ২১/২২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মপুগী খূয়াখাদা চঙজখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা, কোলেজ অসিগী Governing Body গী Secretary, Member শিং Teaching staff অমদি non Teaching staff অমসুং মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা তাং ৭/৮/২০২৩গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা Regional College দা মিনিত ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা কোলেজ অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইবিরম্বতা নত্তনা কোলেজ অসিগী অফবা থবক কয়ামরুম তৌবিরম্মী। কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালসু য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **Secretary,**
Regional College, Lilong (Imphal)

HL-P/7392/9


**/ অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরগসু হেন্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, নিংগাংনা ফম্বা ঙমদবা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না পীক্লা পায়াগুম্না তারকপা, নিংজোলদসু নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ঈশিং অশাবা ফম্লগা ঙাইহাক্তং লৈরগা অমুক চিকপা-নাবা তৌরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগনা হেন্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগনা চিকপা অদুদা প্যেন কিল্লর চারবসু চিকপা অদু ঙাইহাক্তং ফরম্লগা অমুক চিক্লকপা অসুম্না তৌরগা অদুম লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, অমাংথোঙ ময়াদসু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগসু লৈবা, নিংগাংনা ফম্বা ঙমদবা য়াম্না নাবা, শা-ঙা তোয়না চাবা য়াদবা, শা-ঙা তোয়না চাবা তারগদি খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অচম্বা চারগনা ঈ তাবা ফখিবা, খোঙ হাম্বা মতমদা পায়াগুম্না য়াম্না পীক্লা তারকপা, অমাংথোঙ মনুংদুসু ফুঞ্জিনবা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, নিংজোলদসু নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **K. Joy Meitei**
Kwakeithel

HL-B/8251/9

### INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE

Recognised by MCA Govt. of India

* 5 Day Free Workshop for Cabin Crew and Ground Staff
* Starting from 11 August to 16 August 2023
* Time : 10 am to 1 pm
* Eligibility - 10+2 passed
Age - 17 to 25
* Only for 20 seats

Trained by :
Well experienced trainers from reputed institutes

For more details :
# 7005214205
# 6009048058
# 9366338477

GLOBAL SPOKEN BUILDING 2ND FLOOR,OLD LAMBULANE,
OPP. GP WOMEN'S COLLEGE/ADJACENT TO HOTEL IMOLESH

HL-B/8098/29/8/31 Aug 2,4,5